# ইম্ফাল-আই টি এফ সেনিয়র গ্রেদ ফোর টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিএসন (এ আই টি এ) অমদি ইন্টরনেসনল টেনিস ফেদরেসন (আই টি এফ) অমসুং মণিপুর টেনিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) না শীন্দুনা লম্ফেল পাৎতা লৈবা ওফিসরস ক্লবতা ঙসিদগী থা অসিগী ২৪ ফাওবা সেনিয়র চহী ৩৫, ৪৫ অমদি ৫৫গী কেটেগোরিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইম্ফাল-আই টি এফ সেনিয়র গ্রেদ ফোর টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনলগী থাক্তা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ১৪ অমদি অতোপ্পা লৈবাক কয়াগী শান্নরোয় ৫৬ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ইম্ফাল-আই টি এফ সেনিয়র গ্রেদ ফোর টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মেন্স সিঙ্গলসকী চহী ৫৫গী কাঙলূপকী অহানবা মেচ ওইনা ইন্দিয়াগী য়ূম্নাম সিংহ অমসুং ইন্দিয়াগী হর্সকুমার শর্ম্মা শান্নখিবা মেচ অদু য়ূম্নাম সিংহনা হর্সকুমার শর্ম্মাবু ৬-২, ৬-১দা অনীশুবা কোর্টতা সোনোৱাল বি কে অমসুং সুনিল সুদ শান্নখিবা মেচ অদু সুনিল সুদনা সোনোৱাল বি কেবু ৬-১, ৬-০দা; অহুমশুবা কোর্টতা এস হিদংময়ূম অমসুং মিরদুলাল বরকোটি শান্নখিবা মেচ অদু মিরদুলাল বরকোটিনা ৬-১, ৭-৫দা; মরিশুবা কোর্টতা গুরবিন্দর সেথি সিংহ অমসুং ওইনাম নবকিশ্বর শান্নখিবা মেচ অদু ওইনাম নবকিশ্বরনা ৬-১, ৭-৫দা মায় পাকখি।

কাঙলূপ অসিগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা সুরেস মুরথাটি অমসুং ভারত ফুকান শান্নখিবা মেচ অদু সুরেস মুরথাটিনা ভারত ফুকানবু ৬-৩, ৬-১দা মায়থীবা পীরক্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

নুপা কাঙলূপকী চহী ৩৫গী সিঙ্গলস ইভেন্টতা আই খাগেম্বা অমসুং লৈশাংথেম জিতেন মীতৈ শান্নখিবা মেচ অদু আই খাগেম্বনা লৈশাংথেম জিতেন মীতৈবু ৬-৩, ৩-৬, ৬-১দা; কেটেগোরি অসিগী অনীশুবা কোর্টতা লাইশ্রম সৈত্যজিৎ অমসুং ইন্দিয়াগী এস জাইদি শান্নখিবা মেচ অদু এস জাইদিনা লাইশ্রম সৈত্যজিৎপু ৬-২, ৬-৩, অহুমশুবা কোর্টতা সুরেন্দ্র অলাম অমসুং দেব অরিন্দুম শান্নখিবা মেচ অদু সুরেন্দ্র অলামনা দেব অরিন্দুমবু ৬-১, ৬-১, দিনেসচন্দ্র সুয়াল অমসুং লক্ষমিপথি টুলুবগা শান্নখিবা মেচ অদু দিনেসচন্দ্র সুয়ালনা লক্ষমিপথি টুলুববু ৭-৫, ৬-২দা মায়থীবা পীখি।

কেটেগোরি অসিগী মরিশুবা কোর্টতা রাথিস সুইধার অমসুং নেলসন জাতিনকুমার শান্নগদবা মেচ অদু নেলসন জাতিনকুমার লাক্তবদগী রাথিস সুইধারনা ৱাক ওভর ফংখি। তরুকশুবা কোর্টতা দিপক মরৱাহা অমসুং মাইস্নাম বঙ্কিমচন্দ্র শান্নগদবা মেচ অদু মাইস্নাম বঙ্কিমচন্দ্র লাক্তবদগী দিপক মরৱাহানা ৱাক ওভর ফংখি।

চহী ৪৫গী মেন্স সিঙ্গলসকী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচকী অহানবা কোর্টতা ফটিন্দর পনৱার অমসুং রন্দিপ বরুৱা শান্নখিবা মেচ অদু ফটিন্দর পনৱারনা ৬-০, ৬-১দা; অনীশুবা কোর্টতা দেনিএল পানমৈ অমসুং সমিরগাগ শান্নখিবা মেচ অদু দেনিএল পানমৈনা ৬-০, ৭-৫দা; অহুমশুবা কোর্টতা পনকাস কুমার শর্ম্মা অমসুং নাভিন অগরৱাল শান্নখিবা মেচ অদু নাভিন অগরৱালনা ৬-৩, ৬-৩দা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮

# কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীনা এ কে এস এ, এস আর দি সীনা এ আই এফ এবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ ককচীংগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী ৱাবগাইনা এ কে এস এ ককচীং খুনৌ অমদি এস আর দি সী ককচীংনা এ আই এফ এ ইরেংবন্দবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম মঙানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা এ আই এফ এ ইরেংবন্দ অমসুং এস আর দি সী ককচীং শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চত্থনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্মদবদগী মেচ অদু গোল ০-০দা লৈনখি। মেচকী ২৬শুবা মিনটতা এ আই এফ এগী জর্সি নম্বর ২ দিক্কুনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্নুনা মেচ অদু এ আই এফ এনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস আর দি সীগী শান্নরোয়শিংনা এ আই এফ এগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এস আর দি সীগী মায়কৈদগী এ আই এফ এনা অহানবা হাফতা মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা গোল অদু হন্দোক্লবা য়াঙনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা এস আর দি সীগী জর্সি নম্বর ৮ খৃষ্টোফরনা এ আই এফ এগী গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা লৈনখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা এটেক কয়া চত্থনরকপা হৌরকখি। মেচকী ৫৬শুবা মিনটতা এস আর দি সীগী শান্নরোয় খৃষ্টোফরনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা এ আই এফ এগী মায়কৈদগী এস আর দি সীগী গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

লীগ রাউন্দ অসিগী ৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এ কে এস এ ককচীং খুনৌ অমসুং কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী ৱাবগাই শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীনা এ কে এস এবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি। কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এম বিদ্যাসাগরনা মেচকী ৪০শুবা অমদি ৬২শুবা মিনটতা চনখিবনি।

ষ্টেট লেভেল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ওপন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

# বিষ্ণুপুর হোকি, আইদিএল ক্লব অমসুং এস সী ৱাই ও মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী এষ্ট্রো টর্ফ হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ষ্টেট লেভেল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ওপন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা নুপা অমসুং নুপীমচাগী মেচশিংদা বিষ্ণুপুর হোকি, আইদিএল ক্লব অমসুং এস সী ৱাই ও মায় পাকখ্রে।

নুপা কাঙলূপকী ওইনা টিম ৭না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা অমসুং নুপী কাঙলূপকী ওইনা টিম ৪না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ষ্টেট লেভেল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী লীগ মেচকী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা নুপী কাঙলূপকী বিষ্ণুপুর হোকি অমসুং কে ঐচ এস সী শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা বিষ্ণুপুর হোকিনা কে ঐচ এস সীবু য়াম্না লাকচনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা বিষ্ণুপুর হোকিনা কে ঐচ এস সীবু গোল ৭-০দা মায়থীবা পীখি।

বিষ্ণুপুর হোকিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ দাইনালিনা মেচকী ১৪শুবা, ২২শুবা অমদি ৩৫শুবা মিনটতা গোল ৩, জর্সি নম্বর ৮ মন্দাকিনিনা মেচকী ৮শুবা, জর্সি নম্বর ৪ অরুনানা মেচকী ১৮শুবা, জর্সি নম্বর ৩ রোমিতানা মেচকী ২৮শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৭ সর্মিলানা মেচকী ৩৫শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা নুপী কাঙলূপকী ৱাই সী সী আই সী অমসুং আইদিএল ক্লব লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা আইদিএল ক্লবনা ৱাই সী সী আই সীবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখি। আইদিএল ক্লবকী মায় পাকপগী গোল অনী অদু জর্সি নম্বর ১৫ টি অঙৈংবীনা মেচকী ৮শুবা অমসুং ৩২শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ৱাই সী সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২ এস বিদ্যারানিনা মেচকী ৫০শুবা মিনটতা চনখি।

১৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী ৩শুবা গ্রাউন্দদা নুপা কাঙলূপকী এস ঈ ৱাই ও অমসুং হোকি য়ুনিয়ন শান্নখিবা মেচ অদু এস ঈ ৱাই ওনা হোকি য়ুনিয়নবু গোল ৪-৩দা মায়থীবা পীখি।

# ৯শুবা মণিপুর কেনো স্প্রিন্ট চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং এসোসিএসন (এ এম সী কে এ) না শীন্দুনা অমদি কে ৱাই পি সী ক্যামগৈ অমসুং লৈশাং হিদেন কেনোয়িং এন্দ কয়াক্কিং এসোসিএসন অনীনা স্পোন্সর তৌদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা ক্যামগৈ লৈশাং হিদেন্দা থা অসিগী ১৭তগী ১৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৯শুবা মণিপুর কেনো স্প্রিন্ট চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ লোইশিনখ্রে।

টিম ৫গী শান্নরোয় ১১৫ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এনা গোল্ড ২৮, সিলভর ১৯ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা গোল্ড ২২, সিলভর ২২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১১ ফংদুনা টিম রন্নর্স-অপ, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা গোল্ড ১৫, সিলভর ৮ অমসুং ব্রোঞ্জ ১০ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা কৈরাও এ সীগী এম এল এ এল রামেশ্বর, এ এম সী কে এগী প্রসিদেন্ট জোতিন ৱাইখোম, কে ৱাই পি সীগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কে ঐচ ইনাওবা, য়াসকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্ট টি থৌবা, সাইগী বোক্সিং কোচ দোর্নাচার্য এৱার্দি লৈশাংথেম ইবোমচা মীতৈ, জেনিমসকী ফিজিওলোজিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রোফেসর ডো. এল দেবেন, য়ু পি এ এ ক্যামগৈগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ জিবন, ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায় স্কুলগী প্রিন্সিপাল পি ঐচ লন্ধোনি অমসুং রন্নর্স-অপ টিম মনাগী স্পোন্সর ওইরিবা টি ঐচ নুংশিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# নেসনল বেদমিন্টন রেফ্রি চিত্তরঞ্জন শর্ম্মা এসেসর ওইনা খল্লক্লে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ অন্ধ্র প্রদেশকী করাপাদা থা অসিগী ২১দগী ২৫ ফাওবা নুমিৎ ৫নি চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা য়োনেক্স সন রাইজ সব জুনিয়র অন্দর-১৩ নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮দা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (বি এ আই) গী নেসনল বেদমিন্টন রেফ্রি ওইরিবা মণিপুরগী চিত্তরঞ্জন শর্ম্মাবু দেপ্যুটি রেফ্রি ওইনা খল্লক্লে।

টুর্নামেন্ট অসিদা নত্তনা কর্ণাটকাগী বেঙ্গলোরদা থা অসিগী ২৭তগী দিসেম্বর ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়োনেক্স সন রাইজ সব জুনিয়র নেসনল অন্দর-১৫ অমসুং অন্দর-১৭ বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা নেসনল বেদমিন্টন অম্পায়র গ্রেদ টু এগজামিনেসনগী এসেসর ওইনা শরুক য়ানবা খল্লক্লে হায়রি। করাপাগী টুর্নামেন্টতা দেপ্যুটি রেফ্রি অমসুং বেঙ্গলোরগী টুর্নামেন্টতা নেসনল অম্পায়র গ্রেদ টু এগজামিনেসনগী এসেসর ওইনবা চিত্তরঞ্জনবু খল্লকপদা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসন্না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এল সী আর সীনা এল ৱাই সী মায়থীবা পীখ্রে, মেচ অহুম্না দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসন (জেদ এফ এ) না শীন্দুনা থাংমৈবন্দ থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এল সী আর সী লংথবাল চীংথক্না এল ৱাই সী লুবাংলোং মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা মেচ অহুম্না দ্রো চৎখ্রে।

টিম ৩৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ৫০শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এল ৱাই সী রোংজাং অমসুং এল কে সী সী লংথবাল খৌপুম শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল ১-১দা দ্রো চৎখি। এল ৱাই সীগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৬ পেরামরিগাগোনা মেচকী ১০শুবা অমদি এল কে সী সীগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১২ লানলিলুং গোলমৈনা মেচকী ৪৮শুবা মিনটতা চনখি।

লীগ মেচ অসিগী ৫১শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী আর ৱাই সী রমগাইলোং অমসুং কে পি টি-৫ খুমজি পার্ট ফাইভ শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা আর ৱাই সী অমসুং কে পি টি-৫ গোল ১-১দা দ্রো চৎখি। আর ৱাই সীগী গোল অদু বোনিফেস ফাওমৈনা মেচকী ৩০শুবা অমদি কে পি টি-৫গী গোল অদুনা গাইনিথুই রোংমৈনা মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা চনখি।

৫২শুবা মেচ ওইনা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী এল ৱাই সী লুবাংলোং অমসুং এল সী আর সী লংথবাল চীংথক শান্নখিবা মেচ অদু এল সী আর সীনা গোল ১-০দা মায় পাকখি। এল সী আর সীগী মায় পাকপগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ লানসিঙম রিএমৈনা মেচকী ৫২শুবা মিনটতা চনখিবনি।

৫৩শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ ঈগী এম কে ৱাই সী মহাবলি অমসুং পি ৱাই সী পনিটলোং শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা এটেক কয়া চত্থনরবসু লম্বা চানা শান্নরকখিবনা মেচ অদু গোল ০-০দা দ্রো চৎখি।

# অকোইজম দাইমন্দ অমসুং লৈশাংথেম মরিকা তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ ৱর্ল্ড মার্সেল আর্টস গেমস কম্মিটিগী লমজিং মখাদা এসিয়ন মার্সেল আর্টস গেমস কম্মিটিনা তোঙান তোঙানবা মার্সেল আর্টসকী ফেদরেসন অমসুং য়ুনিয়নশিংগা খূৎশম্নদুনা থা অসিগী ১২দগী ১৪ ফাওবা ন্যু দেল্লিগী টালকটোরা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন মার্সেল আর্টস গেমস ২০১৮দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াদুনা মেদল ফংলকখ্রবা অকোইজম দাইমন্দ অমসুং লৈশাংথেম মরিকাবু সোসল ৱেলফ্যের ওর্গেনাইজেসন অমদি লৈকায়গী মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা হৱাউ তরাম্না ওকখ্রে।

এসিয়ন মার্সেল আর্টস গেমস ২০১৮দা মণিপুরগী লৈশাংথেম মরিকানা চহী ১২দগী ১৩ ফাওবগী কেজি ৩৫ কাঙলূপকী কুমিটে ইভেন্টতা গোল্ড অমসুং কাটা ইভেন্টতা সিলভর লৌরকখি অদুগা অকোইজম দাইমন্দনা চহী ১৪দগী ১৫ ফাওবগী কেজি ৫৫ কাঙলূপকী কুমিটে ইভেন্টতা সিলভর অমসুং কাটা ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবনি।

মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয় অনী অদু ঙসি থৌবাল বজারদা লৈবা সোসল ৱেলফ্যের ওর্গেনাইজেসনগী লম্পাক্তা ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। ওকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর লৈতান্থেম বসন্ত, ওর্গেনাইজেসন অসিগী থৌ পুবশিং, কোচ অমদি লৈকায়গী মশক নাইবা মীওই কয়ানা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা শান্নরোয়শিং অদুবু লৈ পরেং হুক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

মরিকা থৌবাল বজারদা লৈবা লৈশাংথেম বসন্তগী মচানুপীনি অদুগা দাইমন্দনা থৌবাল বজারদগী অকোইজম সুরেসকী মচানুপানি।

এসিয়ন মার্সেল আর্টস গেমস ২০১৮দা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৮না ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারুবদা শান্নরোয় ৭না পূন্না গোল্ড ২, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৪ লৌবা ঙম্লকখিবনি হায়রি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor; Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com